**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-03-2026)**

**মীফম(এল)ঃ** ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরেৎশুবা মীফম লাক্লিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতগী হৌরগনি। মীফম অসি থা অসিগী ১৭ ফাওবা চত্থগনি।

মনিপুর বিধান সভাগী সেক্রেটরিয়েটতগী ঙসি থাদোরকপা প্রোভিজনেল কেলেন্দরগী মীফম অসিদা পুন্না সিট্টিং তরেৎ লৈগনি। মীফম অসিগী অহৌবা নুমিৎতা ওবিচুৱরি রিফরেন্স, বি.এ.সিগী রিপোর্ট পুথোকপা, শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী সপ্লিমেন্টরি দিমান্দ ফোর গ্রান্টস, ২০২৬-২৭ কী বজেট পুথোক্কনি। নুমিৎ অসিদা রাজ্যপালনা পীখিবা ভাষনসু খন্ন-নৈনগনি।

থা অসিগী ১১ দগী ১৭ ফাওবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ভোটিং ওন দিমান্স ফোর গ্রারন্টস সভাদা খন্নদুনা পাস তৌনবা হোৎনগনি।

**য়ুপিএসসি (এল)ঃ** য়ুনিয়ন পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন (য়ু.পি.এস.সি) না লৌবা সিভিল সাভির্সেস ইগজামিনেসন ২০২৫ গী ফল লাউথোক্লে। মনিপুরদগী মীওই তরুক য়াওরে। মখোয়শিং অদুদি-কালভিন গীনমিনলিয়েন জো, ৱাহেংবম রেনুধর সিংহ, টি.ঐচ. বাপানি জোন, রাহুল মোইরাংথেম, লিয়াং গৌশাং ভুৱালনম অমসুং নিংথৌজম রিশিকান্ত সিংহনি।

পরিক্ষা অসিদা পুন্না লৈবাক অসিগী কেন্দিদেট লাখ ৯ লিশিং ৩০ রোমনা শরুক য়াখি। মসিগী মনুংদা মায় পাক্লবা পুন্না কেন্দিদেট ৯৫৮ তোঙান তোঙানবা পোষ্টশিংগীদমক কম্মিসননা রিকমেনন্দ তৌরকখি। নীংশিং য়াবদি, য়ু.পি.এস.সিনা শিনদুনা পরিক্ষা অসিগী রির্টন টেষ্ট মমাং চহিগী আগষ্ট থাদা পাঙথোকখি অদুগা ইন্টরভিয়ুনা মমাং চহিগী দিসেম্বর অমসুং চহি অসিগী ফেব্রুৱারী থা ফাওবা পাঙথোক্লবা মতুং ঙসি ফল লাউথোরকপনি।

মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা য়ু.পি.এস.সিনা লৌবা পরিক্ষা অসিদা মনিপুর মীওই মরি মায় পাক্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিং অসিনা মীয়ামগী সেভা তৌবগী লম্বীদা চৎপা হৌরগদবনা মখোয়না জাতি অসিগীদমক কৎথোক্তুনা থম্মোয় শেংনা থবক তৌরকপা ওইরসনু।

হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননসু রাজ্য অসিগী মীওই তরুক পরিক্ষা অসিদা মায় পাক্লকপদা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

**ভিদিএফ (এল)ঃ** ১৭ শুবা ভি.দি.এফ রেজিং ডে বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভি.দি.এফ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ঙসি এস.পি. বিষ্ণুপুর গেটতা লৈবা লাইনিংথৌ ময়াঙম্বা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসিগী ৱাখল্লোন্না য়ুনিতি অমসুং পিছ হায়বসিনি। লৈখিদ্রবা ভি.দি.এফশিংগী মফমদা মৈরা কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎপা, মথৌ নিংথিনা তৌবা ভি.দি.এফ পার্সোনেলশিংদা ইকায় খুমবা উৎপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর জিলাগী এস.পি- টি.ঐচ. শঙ্করদেবনা লুচিংবা পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ৱানদা শাখিবা জিলা অসিগী অনৌবা দি.সি. ওফিসকী শঙলেন অথুবা মতমদা শঙ্গাদুনা হোংজিল্লগনি।

ঐখোয়গী নোনে জিলাগী পাউমী-অগুই কামৈনা হায়-অনৌবা ওফিস অসি পি.ডব্লি.ডিনা কন্সত্রক্সন এজেন্সি ওইদুনা শাবা হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা শঙলেন অসি শাবা চাদা ৯০ লোয়শিল্লক্লে।

**কন্দোল (এল)ঃ** ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী ইয়ারক্রাফট কায়বগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা স্কাদ্রোন লিদর অনি অমসুং ফ্লাইট লেফটিনেন্ট-পুরভেস দুরগকারগী

মফমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

মহাক্কী অৱাবা ফোংদোকপা ৱারোল অমদা-শ্রী ভালানা হায়-মথৌ পাঙথোকপদা লৈখিদ্রবা ইয়ার ফোর্সকী ওফিসার অনি অসিনা জাতি অসিগীদমক কৎথোকখিবা অদু মতম পুমামক্তা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি।

**রাধাবিনোদ (এল)ঃ** হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-রাধাবিনোদ কোইজমনা হায়রি-মীয়ামগী অনা লায়েংগী শেলগী পোৎলুম হন্থহনবদা জন্ন ঔসাদি কেন্দ্রশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

ঙসি ইম্ফালগী চীংমৈরোংদা প্রধান মন্ত্রি ভারত্তিয়া জন্ন ঔসাদি কেন্দ্রগী চয়োল অমা চুপা চথুগদবা মীয়ামদা মগুন লৈবা জেনারিক হিদাকশিংগী কান্নবগী মতাংদা ভাব তাহন্নবা রেল্লি অমা হৌদোক্লবা তুংদা শ্রী রাধাবিনোদনা ৱা ঙাংখি। মহাকা হায়-হিদাক মমল ৱাংমনবদগী নাগরিক অমত্তনা তঙাইফদবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংদবদু সেন্টরশিং অসিনা কোকহনবা ঙমহল্লি।

কনাগুম্বশিংনা জন ঔসাদি কেন্দ্রশিংদা ফংলিবা মগুন লৈরবা হিদাকশিং মগুন হন্থে হায়না ঙাংনবা কয়ামরুম লৈরিবা অসি য়ামা লাইবক থিবনি। হিদাকশিং অসি অতৈ হিদাক য়োনফমশিংদা য়োল্লিবা হিদাকশিংদগী হন্থবা নত্তে। কেন্দ্র সরকারনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক খল্লগা কেন্দ্রশিং অসিদা ফংলিবা হিদাকশিং শিজিন্নদুনা হকচাং অমসুং ৱাখল ফবা নাগরিক অমমম ওইননবা হোৎনমীন্নসি।

মদুগী মমাংদা, শ্রী রাধাবিনোদনা রেল্লি অদু চিংমৈরোং খোঙনাং অনি কারক্তগী লমথাখি। রেল্লি অদুনা এসেমব্লি লম্বী ফাওরগা কংলা ফাওবা চৎলুরবা তুংদা হান্নগী মফমদা অমুক হল্লকখি।

**কেম্পেইন (এল)ঃ** তমেংলোং জিলাগী তৌসেম ব্লোকনা শিনদুনা ঙসি ভিক্সিত ভারত জি-রাম-জিগী মরমদা মীয়ামবু ভাব তাহন্নবগী কেম্পেইন অমা

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্কাটরসকী সৈতিনুহ ইনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা তৌসেম ল্লোক্কী পি. নমশুবেনা হায়-ভিক্সিত ভারত জি-রাম-জি. স্কিম অসি খুৎশুমন মতম চানা ফংহন্নবা অমসুং ক্ষেতিপুরোন পীবদা থেংথহন্দনবা থবক ফংদবগী এলাউয়েন্স ফংহন্নবগী হেন্না মতিং লৈবা থৌরাং অমনি।

থৌরমদুদা তৌসেম সব-দিভিজনগী খুঙ্গং কয়াগী লুচিংবশিং শরুক য়াখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-লৌউ শিংউ হায়বসিনা ভারতকী শেন
মীৎলোনগী মপুং ওইবা মচাক ওইরি।

এগ্রীকলচর এন্দ রুরেল ত্রান্সফোরমেসন হায়বা থিমদা ঙসি পাঙথোকখিবা পোষ্ট বজেট ৱেভিনার অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-লৌউ শিংউ অসি ভারতকী তুং কোইনা চৎনগদবা চাউখৎপগী খোঙচৎকী মরুওইবা য়ুন্বী অমসুনি। ৱাখল্লোন অসিদা সরকারনা লৌউ শিংউগী সেক্তরবু মপাঙ্গল কনখৎহল্লে হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

**উপ রাস্ত্রপতিঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা চহি ১০ রোম অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা চাউখৎপা অমদি শান্তি পুরকবগী লন্বীরোমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি।

নাগালেন্দ য়ুনিভরসিতিগী ৮ শুবা কনভোকেসনগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-লৈবাক অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপ কয়ানা খুন্দাদুনা লৈরবসু অমত্তা ওইবগী শক্তমনা লৈবাক অসিগী মপাঙ্গল ওইরি। মহাকা হায়-নাগালেন্দগী নহাশিং জাতিগী থবক থৌরমশিংদা য়াওশিন্দুনা লৈবাক অসিগী অপুনবা শক্তম শাগৎনবা হোৎনবদা শরুক য়াগদবনি। নাগালেন্দ চাউখৎহনবা হায়বসিনা চাউখৎপা ভিক্সিত ভারত ওইহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌগনি।

হন্দক সহি তৌনখিবা ফ্রন্টিয়ার নাগালেন্দ টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রীতিগী

য়ান্ন-চেরোলগী মতাংদা পল্লদুনা উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-রাজ্য অসিদা মপুং ফানা চাউখৎপা পুরকবা হোৎনবদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমসুং অমগা অমগা তেংবাং পীনবা হায়বসি য়ামা তঙাইফদে। নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা অৱাং নোংপোক লমদমদা লাকখিবা উপ রাস্ত্রপতি হয়েং মিজোরামদা চৎকনি।

**ৱেষ্ট এসিয়াঃ** নোংচুপ এসিয়াদা আমেরিকা অমসুং ইজরেলগী অপুনবা জোইন্ট ফোর্সকা ইরানগা শোকরিবা লান ঙসি তরেৎনি শুখ্রে। ইরানগী ইয়ার দিফেন্সকী মফম কয়া অমদি মীসাইল লোঞ্চর কয়া ইজরেল মিলিটরিনা মাঙহন তাকহনখ্রে হায়না ক্লেম তে

ইজরেল দিফেন্স ফোর্সেসনা ইরানগী মিসাইল কয়া মশক খঙদোকপা ঙমলে হায়রি। অমরোমদা বহরেন্না হায়-ইরান্না বহরেনগী কোনুং মনামাদা হোটেল অমা অমসুং মী লৈবা বিল্ডিং অনিদা লান্দারকখি। অদুবু অশি অনাদি থোকখিদে। য়ু.এ.ইনসু মখোয়গী এয়ার দিফেন্সনা ইরানদগী কাপশিল্লকপা মিসাইল অমসুং দ্রোন কয়া কাপথখ্রে হায়রি।

অমরোমনা ইজরেলনা বৈরুটতা হেজবোল্লাগী কম্মান্দর জৈদ অলি জ্মা হাৎখ্রে। মদুগী মমাংদা ইজরেলগী নেভিনা ত্রিপোল্লিগী মফম অমদা হমাজগী কম্মান্দর ৱাসিম আতালা অলি হাৎখ্রে হায়রি।

মরক অসিদা, আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা ইরানগী ইস্লামিক রিভোলুসনরি গার্দ কোরদা খুৎলায় থাদোক্কুনা চংজরকবা অমুক হন্না আপীল তৌখ্রে।

**মোদিঃ** মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী সেক্রেটরি (ৱেষ্ট) সিবি জোর্জনা হায়রি- হৌজিক নোংচুপ এসিয়াদা ওইরক্লিবা ফিভম প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং ফিনলেন্দগী রাস্ত্রপতি-আলেকজেন্দর স্তবনা কুপা খন্নখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা হংল্লকপা ৱাহং অমগী পাউখুমদা শ্রী

জোর্জনা হায়-লুচিংবা অনিনা নোংচুপ এসিয়াগী ফিভম য়াওনা ভারত অমসুং ফিনলেন্দগী স্বার্থদা লৈবা ৱাফম কয়ামরুম খন্নখি। মহাকা হায়-লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরীগী মায়ওন পুমমক য়াওনা হীরম কয়াদা পাক শন্না ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা য়ুক্রেনগী লানগী মতাংদসু খন্নখি।

**কিরতিঃ** মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-কিরতি বরধন সিংহনা হায়রি-গ্লোবেল সাউথকী ওইনা সমুদ্রগী লমদম তংদু লৈতানা চাউখৎহনবা তঙাইফদে।

ঙসি ন্যু দিল্লিদা রাইসিনা দাইলোগ-২০২৬ কী নিনি চনবা নুমিৎতা মন্ত্রিগী ৱারোল পীরদুনা মহাকা হায়-ভারতকী ৱারেপশিং অসি লৈবাক্কী স্বার্থনা লমজিং ওইরগা লৌবনি। করিগুম্বা কনাগুম্বা চুংশিন্নবা কাংলুপ অমত্তগা মরী লৈনদে।

**কাং ঃ** শ্রীশ্রী গোপালদেব অমসুং য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিনদুনা অহুমশুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারী অমিতা দেবী মেমোরিএল লিগ কপ নোক আউট কেন্দ্রৱাইস কাং টুর্নামেন্ট ২০২৬, লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতগী শ্রীশ্রী গোপালদেব মন্দব য়াহস্কুল কাংশঙদা হৌরগনি।

**ফুটবোল ঃ** কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরিবা ইন্টর ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন ইনভাইটেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-কে.এস.এনা দেসামবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.এস.এফনা এইমসপু পাঞ্জল ৮-৭ তা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** ১৪ শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-অম্ফা ব্লু অমসুং আই.ডব্লিয়ু.দি.এফ.এ. পাঞ্জল অমত্তা চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা অম্ফা রেডনা দি.এস.এ. বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ২-১ দা

থোইখি।

**অমজ়ঃ** ওল মনিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ) না শিন্দুনা চথরিবা ১৫ শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিটকী ওসি শান্নখিবা ক্রিকেট ফাইনেল মেটচতা-সঙাই এক্সপ্রেসনা আই.এস.টি.ভি. নেটৱার্ক টিমবু রন-৪৯ দা থোইখ্রে।

হৌজিক ফাওবদা সঙাই এক্সপ্রেসনা সনাগী তকমান ৬ ফংদুনা মাংজিল থারি। এস.কে. টি.ভিনা সনাগী তকমান ৫, লুপাগী অহুম অমসুং শেঞ্জেংগী মখা পুন্না তকমান ১৩ ফংদুনা অনিশুবা অদুগা মেদিয়া য়ুনিফাইদনা সনাগী তকমান অহুম, লুপাগী ৫ অমসুং শেঞ্জেংগী অমা পুন্না তকমান ৯ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি।

**ক্রিকেট ঃ** আই.সি.সি মেন্স টি-ত্বেন্তি ৱার্ল্ড কপ ২০২৬ কী ফাইনেলদা ভারত অমসুং নিউজিলেন্দ থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা অহমেদবাদকী নরেন্দ্র মোদি ষ্টেদিয়মদা নুমিদাং পুং ৭ তা শান্নগনি।

আই.সি.সিগী মেন্স টি-টোইন্তি ৱার্ল্ড কপকী ইতিহাসতা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমনা অমুক হন্না ফাইনেল চংবা ভারতনা অহানবা ওইরে।